# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-03-2024)**

**নোমিনেসন(এল)ঃ** তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কদবা মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিগী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙসি লোয়রগনি। হয়েং স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩০ ফাওবনি।

ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরিবা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার ঙসি মহাক্কী মীরেপ চে পীশিন্নবা শেম শাবা লোয়খ্রে। মহাকা লোক সভা কেন্দ্র অসিদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না ঙরাং খক্তমক দল অসিনা লাউথোরকখিবনি।

মীরেপ চে পীশিনখিবশিংগী মনুংদা ইন্নরদা মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) গী আর.কে. সোমেন্দ্রো অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়্যান্সিদনা নাগা পিপলস ফ্রান্ট (এন.পি.এফ) কী কে.তিমোথি জিমিক য়াওরি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্সবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্সবগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে। থৌবাল দাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফৌ বজার অমসুং মফৌ কুকি খুলদগী ফুট তরুক শাংবা ইমপ্রোভাইজ মোটোর অমা, কন্ত্রিমেট লোঞ্চর ৩২, কিলোগ্রাম অমা মখায়রোম লুন্বা পোকখায়হন্নবা মচাক, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, পোম্পী মোরটার অমা অমসুং হেরোইন গ্রাম ২০ ফাগৎখি।

অমরোমদা, শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উতোংলোক

ভিলেজতগী করবাইন মেছিনগন অমা, টিয়ার গ্যাস গন অমা অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ অহুম য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎখি। থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওইনাম শওম্বুং গেহ্ লম্পাক মনাক্তগী বুল্লেট প্রুব প্লেট তরুক, বুল্লেট প্রুব জেকেট অহুম, হেল্টমেট অনি, রেদিও সেট অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

**ইগজামঃ** সি.য়ু.ই.টি-য়ু.জি. ২০২৪ গী ওন লাইনদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপগী মতম থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে। য়ু.জি.সিগী চেয়ারমেন-এম. জগদেস কুমারনা হায়-পরিক্ষা থাগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অমসুং অতৈ ষ্টেকহোল্ডর খরনা হায়জরকপদগী মতম শাংদোকবা ৱারেপ অসি লৌরকপনি। সি.য়ু.ই.টি-য়ু.জি. ২০২৪ গী পরিক্ষা অসি লৈবাক অসিগী সহর ৩৫৪ অমসুং মীরৈবাক্কী সহর ২৬ তা পাঙথোক্কদবনি।

**অসামঃ** অসামদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইরিবা মীওই ১১ না ঙরাং মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিনখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. লুচিংবা সরবানন্দ সোনোৱালনা দিব্রুগর লোক সভা কেন্দ্রদগী মীরেপ চে পীশিনখি।

মীরেপ চে পীশিনখিবশিং অদুগী মনুংদা-কংগ্রেস লুচিংবা গৌরব গোগোইনা ঝোরহাটতগী, বি.জে.পিগী এম.পি. প্রধান বারুৱানা লাখিমপুরদগী, অশোক জাতিয়া পরিষদকী মকোক অমসুং হান্নগী ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী লুচিংবা লুরিনজ্যোতি গোগোইসু দিব্রুগরদগী মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিনখি।

**লোক সভাঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙসি লোয়রগনি। অদুমওইনমক, বিহারগী ওইনদি মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম হয়েং ফাওবা ওইগনি হায়রি।

অহানবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৭ কী লোক সভা কেন্দ্র ১০২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা তামিল নাদুগী সিট ৩৯, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেসকী ৮, মধ্য প্রদেসকী তরুক, উত্তরাখন্দ, অসাম অমসুং মহারাস্ত্রগী সিট মঙা-মঙা, বিহারগী সিট মরি, নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট অহুম, অরুনাচল প্রদেস, মনিপুর অমসুং মেঘালয় সিট অনি অনি, ছাতিসগর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ, জম্মু এন্দ কাশ্মির, লক্সদ্বিপ অমসুং পুদুচেরিগী সিট অমমম য়াওরি। হয়েং স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩০ ফাওবনি। অদুমওইনমক, বিহারগী ওইনা থা অসিগী ৩০ দা স্ক্রুতিনি তৌগনি অদুগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা মথং থাগী অনি ফাওবা ওইগনি হায়রি। অহানবা তাঙ্কক অসিগী মীখলগী ভোট মথং থাগী ১৯ দা থাদনগনি। ১৮ শুবা লোক সভা মীখল অসিগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী নোটিফিকেসন হয়েং থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৮৯ দা মথং থাগী ২৬ তা ভোট থাদনগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রি-আলেকজেন্দর দি. ক্রুগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নবা অদুদা লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ক্লিন টেকোলোজি, সিমি কন্দক্তর, ফারমাসিয়ুটিকেল, গ্রীন হাইদ্রোজেন, আই.টি., দিফেন্স অমসুং পোর্টসনচিংবগী মতাংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা খন্নখি। ব্রুসেলসতা অহানবা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি সমিট মায় পাকা পাঙথোকখিবগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শ্রী আলেকজেন্দরবু থাগৎপা ফোংদোকখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরক্লিবা মরি হঙ্গৎনা য়েংলদুনা লুচিংবা অনিনা অপেনবসু

ফোংদোকখি। বেলজিয়মনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্সি ওইরিঙৈ অসিদা ইন্দিয়া-য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী ফিভম ফগৎহন্নবসু মখোয় অনিনা য়ান্নখি।

**পাকিস্থানঃ** পাকিস্তানগী খাইবর পাকতুনখ্বাস সংগলাদা ঙরাং মশা শিজরগা চথুরকখিবা এটেক অমদা চাইনা মচা মঙা য়াওনা মীওই তরুক শিরে।

মফম অদুগী পুলিসকী পাউনা হায়-চাইনাগী ইঞ্জিনিয়ারশিং য়াওবা গাড়িগী কনভোই অমা দাসু কেম্পতগী ইস্লাবমাদ তমা চৎপগী লম্বীদা সুইসাইদ বোম্বর অমনা বোম পোকখায়হনদুনা এটেক অদু চথুরকখিবনি।

**থোাংঃ** আমেরিকাগী বালকিমোরদা লৈবা ফ্রান্সিস স্কোটকী ব্রিজ কন্টেন্নর সিপ অমনা থোমজিনবদগী চাউনা অমাং অতা থোক্লে। বালকিমোর সিটি ফয়ার দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিংনা হায়-থোাং তেকপা অদুদা গাড়ি কয়ামরুম ঈশিংদা তাশিনখি। মদুদা মীওই ২০ লোম অশোক অপন নংখি। থোাং অদুদা থেংজিল্লবা মতুংদা জহাস অদু মৈ হৌদুনা চাকখি।

**ফুটবোলঃ** ফুটবোলগী নুপীগী ইন্দিয়ান নেসনেল টিমগী গোল কিপ্পর-পান্থোই চনুনা ওষ্ট্রেলিয়ান লিক্তা য়াওবা ঙম্বা অহানবা ভারতকী ফুটবোল্লর ওইরগনি।

মহাকা সাউথ ওষ্ট্রেলিয়ান ৱিমেন নেসনেল প্রিমিয়র লিকতা মেট্রো য়ুনাইটেদ ডব্লিয়ু.এফ.সিগী টিমদা য়াওদুনা শান্নরগনি। পান্থোই চনুনা হন্দক্তা তর্কিদা কোসোভো অমসুং হোং-কোংগী মায়োক্তা ভারতকা শান্নখিবা মেটচশিংদা গোল কিপ্পর অমা ওইনা উৎখিবা হৈ-শিংবশিং অদু উরুবদগী মেট্রো য়ুনাইটেদ ডব্লিয়ু.এফ.সিনা মহাকপু সাউথ ওষ্ট্রেলিয়ান ৱিমেন নেসনেল প্রিয়ার লিকতা য়াওননবা খনখিবনি।

**ফুটবোলঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ এ.এফ.সি. ক্বালিফয়াইরসকী মেটচ অমদা ঙরাং অফগানিস্থাননা ভারতপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

গুৱাহাতিগী ইন্দিরা গান্ধি এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফতা ভারতনা পাঞ্জল অমা চনদুনা মাংজিল থাখি। অদুবু, অনিশুবা হাফকী মিনিট ৭০ অমদি ৮৮ দা আফগানিস্থাননা পাঞ্জল অনি চনদুনা মায় পাকখিবনি।

**অমরনাথঃ** অমরনাথ যাত্রাগীদমক হন্দক চহিগী ওইনা যাত্রা অসিদা য়াওগদবা মীওইশিংগী হেলথ সার্টিফিকেট পীবগী থবক জম্মু দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা জিলা ১০ দা পাঙথোকখ্রে। মসিগীদমক পুন্না ডাক্তর ১১২ না মথৌ তৌখি।

অমরনাথ স্রাইন বোর্ডকী মতুং ইন্না যাত্রা অসি চহি অসিগী জনগী তাং ২৯ দগী হৌরবা য়াই হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

য়াউশঙ কুম্মৈগী ছুতি ওইখিবনা ঙসিসু ইম্ফালদা ফোংবা পাউ-চেশিং ফোংনদ্রে। অদুম্মকপু, চিংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউ-চে খরদি ফোংবা থেংনরে।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউ-চে গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি ইন্নর মনিপুর লোক সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা মিনিস্তর-টি.ঐচ. বসন্তাবু মীরেপ ওইনা খনখ্রে হায়বা পাউ, অনিশুবা হেদলাইনদা, লোক সভা মীখল মমাংদা নোংমৈ অমত্তা পীখৎতনবা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই.টি.এল.এফ) না কুকি জো মীয়ামদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনি।

তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন অসিসু থৌনাওজম বসন্তাবু বি.জে.পিগী মীরেপ ওইনা লাউথোকখিবগী পাউ অসিনি। অতোপ্পা পাউ অমদনা তমেংলোং পুলিসকী ওফিসার ইন-চার্জনা লোক সভা মীখল মমাংদা মীয়ামনা

শিজিন্নরিবা লাইসেন্স গনশিং পীখৎলকবা খঙহনখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। লাক্কদবা চহি ২০২৬ ফাওবদা অসামদা কংগ্রেস পার্টি লৈররোই হায়না রাজ্য অদুগী চীফ মিনিস্তর-হিমন্তব বিশ্ব শর্ম্মনা ফোংদোকখিবা ৱাফমসু তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ চে অসিদ ফোংবা মপান লৈবাক্কী পাউ অমদা, য়ুনাইটেদ নেসন্স কাউন্সিলনা অহানবা ওইনা ইজরেল হমাস ৱারদা সিজ ফয়ার তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংলি।